# ইন্দিয়ানা পাকিস্তানদগী নীংতম্বা ফংহনখিবা বাংলাদেশতা হিন্দুশিংগী মনীং-মখা তম্বা হোমলেন্দ অমগা অমুক শেমদুনা নোর্থ-ইষ্টপু মপানগা শম্নহন্নীংবগী অকনবা খোল্লাও লাউনরক্লি

**- পোৎশংবম হকিম খাবা -**

মালেম অসিদা মীওইবনা লৈবাক লিংদুনা পানবা হৌনরকপদগী মরু হুল্লকখিবা জিওপোলিটিক্সকী ঈচেল অসি ঙসিসু লেপ্পা লৈতনা চেন্থরি। অসিগুম্বা ঈচেল অসিগী অকনবা ঈথক-ঈরৈ অমনা ইন্দিয়াবু হুমদুনা পুখিবদগী লৈবাক অসিনা বাংলাদেশপু মশাগী ইথিলগী ফীবান্নুংদা থম্বা ঙম্লক্তবগুম্না উবা ফংনরি। চৈরক অসিদা, বাংলাদেশকী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর শেখ হসিনাবু মীয়ামগী ঈহৌ অমনা মফম লৌথোকখ্রবা মতুংদা শেমখিবা মোহম্মদ য়ুনুশকী লৈঙাক অমসুং হকচিনবা ইস্লামিষ্টশিংনা, লৈবাক অসিদা লৈরিবা বুদ্দিষ্ট, খৃষ্টিয়ান, অমদি মরু ওইনা হিন্দুনচিংবা তোঙানবা লাইনীংগী মীশিং য়ামদবা মীওই কাঙলূপশিংগী মথক্তা তমথীরবা মীওৎ-মীনৈগী থৌওং কয়ামরুম চত্থরক্লি।

ৱাফম অসিনা মরম ওইদুনা, স্বরাজ্য পাউচেগী এপ্রিল ১গী এদিশনদা মসিগী পাউমী জয়দিপ মজুমদারনা 'বাংলাদেশতা লৈবা হিন্দুশিংগী হোমলেন্দ অমা শেম্বা, অমসুং নোর্থ ইষ্টকা মপানগা শম্নহনবা' হায়না মিংথোনবা পাউদম অমদা হায়, মালেম অসিদা লৈরিবা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা, মরু ওইনা পাকিস্তানগী মীয়াম্না কুমজা ১৯৭১গী য়েন্নীংথা মতম অদু ফাওবদা, ইষ্ট-পাকিস্তান অসি চহী অদুগী দিসেম্বরদা নীংতম্বা ফংলক্কনি হায়বসি কৈদৌনুংদসু থাজবা পোক্লখিদে।

**অৱাং-নোংপোক লমদমগী তোঙাননা তাবা লম্মীৎ-তুমীৎ :** স্কৱার কিলোমিটর লাখ ২.৬২ হেন্না পাক-চাউবা (ইন্দিয়াগী অপূনবা পাক-চাউবগী চাদা নিপাল্লোম) অৱাং-নোংপোক্কী লমদম পূম্নমক অসি মায়কৈ মরিদা কংফালনা ইকোয় কোয়শিনবতা নত্তনা, শিলিগুরি কোরিদর নৎত্রগা 'চিক্কন'স নেক কোরিদর' হায়না খঙনবা, য়েন মঙক মানবা অখূবা লমশাং মতেক অসিখক্না ইন্দিয়াগী অতৈ মফমশিংগা শম্নফম ওইরি। কিলোমিটর ২২ রোম্না খ্বাইদগী হেন্না খূবা মফম ওইবা কোরিদর অসি বাংলাদেশ, নেপাল অমসুং ভুটাননা কোয়শিল্লগা লৈবনি, অদুগা অৱাংলোমদনা, চাইনানা খুদুম চনবা টিব্বট লৈরি। হায়রিবা কোরিদর অসিদা মীওইবনা খুন্দাবগী মওং অসি হৌখিবা চহী খরা অসিগী মনুংদা মিপাইনীংঙাই ওইবা অহোংবা অমা লাকপদগী হেন্না খুদোংথীনীংঙাই ওইরক্লি হায়না নুংনাংবা উৎলদুনা মজুমদারনা হায়রি, ইন্দিয়াগী অৱাং-নোংপোক লমদম অসিনা হিংবদা তঙাইফদনা চঙবা চান-থক্লবা, হীদাক-লাংথক, মেছিনরি অমসুং য়ূম-কৈ শাবগী পোৎচং পূম্নমক অসি 'চিক্কন'স নেক' কোরিদর অসি নৎত্রবদি পুশিল্লকফম অতৈ লম্বী অমত্তা লৈতবা হায়বসিমক লমদম অসিগী অচৌবা শীংনবা অমনি। লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংদগী পোৎ-চৈ হোল্লকপদা মতম য়াম্না চঙবতা নত্তনা, শেলসু কা হেন্না চঙই। মসিনা মরম ওইদুনা পোৎ খুদিংমক, মরু ওইনা চান-থক্লবা পোৎ-চৈগী মমল অসি অৱাং-নোংপোক লমদম্না, লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংদগী য়াম্না ৱাংবা হেল্লি।

মসিগীসু মথক্তা, পীক্লবা চিক্কন'স নেক কোরিদর অসিগী নুংনাংনীংঙাই ওইবা ৱাফম অমসু লৈরি। লমদম অসি হকচিনবা ইস্লাম লাইনীং চৎপশিংনা খুদুম চনশিল্লকপা, অমসুং চাইনাগী লান্মীশিংনা ইনক নক্না লৈবা মরম্না, করিগুম্বা অচৌবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক থোক্লকপা তারবদি অৱাং-নোংপোক লমদম পূম্নমক্না ইন্দিয়াগা শম্নরিবা লম্বেল অসি থিংলকপা য়াই।

কংফালনা ইকোয় কোয়শিনবা অৱাং-নোংপোক লমদম্না মায়োক্লরিবা অতোপ্পা খুদোংচাদবা অমনা মশাগী পোত্থোকশিংগী য়োনফম কৈথেল লৈতবা অসিনি। লমদম অসিদা থোক্লিবা লৌউ-শিংউ অমসুং হোর্টিকলচরগী পোত্থোকশিং অসি মপান্দা থাদোক্তুনা য়োনবদা য়াম্লবা শেনফম কয়ামরুম লাকপা য়াবনি, অদুবু পোৎ পুথোক-পুশিন তৌবদা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবা অসিনা অপনবা অমা ওইরি। ৱাফম অসিনা মরম ওইদুনা অৱাং-নোংপোক লমদম্না রো মেটরিএল মরাং কায়না লৈজবা তারবসু মেন্যুফেকচরিং সেক্টরদা শেল থাদনীংবগী অপাম্বা ইন্দষ্ট্রিএলিষ্টশিংদা পোকহনবা ঙমদ্রি। লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংদা লৈবা কৈথেলশিংদা ইলায় লায়না য়ৌশিনবা ঙমদবা অমসুং মপানগী লৈবাকশিংগা শম্নবসু ঙমদবা অসিনা ইন্দষ্ট্রিএলাইজেশনদা খুরৌ থাংহল্লি, অমসুং লমদম অসিগী শেন্মীৎলোন চাওখৎপা ঙমহন্দে হায়রি।

খুদম অমত্তং লৌখৎতুনা য়েংলবদা - কোলকটাদগী পোৎ পুরকপা ত্রক অমনা চিক্কন'স নেক কোরিদর অসি ফাওদুনা কিলোমিটর ১৫৪৯ হেন্না লাপ্না ত্রিপুরাগী কোনুং আগরটলা য়ৌরকপদা নুমিৎ মরি-মঙানি চঙই। অদুবু পোৎ পুবা গাড়ীশিংনা কোলকটাদগী বঙ্গলাদেশ ফাওরগা আগরটলা তম্না লাকপা মতমদদি হায়রিবা অরাপ্পা অসি শুপ্নগী কিলোমিটর ৫২২ খক্তংদা হন্থরকই।

সমুদ্রগী ঈশিং-লম্বীনা শমজিনবা অমসুং লায়বা অমুক্কসু হেল্লি- চিত্তাগোং হিথাংফম (বাংলাদেশকী) অসি আগরটলাদগী কংফালগী লম্বীদা চৎপদা শুপ্নগী পুং ৪.৫ রোমদমক চঙবা, কিলোমিটর ২১৪ খক লাপ্পা মফমনি। বে ওফ বেঙ্গল অসিনা, ত্রিপুরাগী খা-থংবা মতোন্দগী কিলোমিটর ৫০ ফাবাত্তনা লৈবনি। ইন্দিয়ানা বাংলাদেশকী লম্বী, রেইলগী নেটৱর্ক, ঈশিং-লম্বী অমসুং হিথাংফম হায়রিবশিং শীজিন্নদুনা অৱাং-নোংপোক লমদমগা শম্নহন্নবগীদমক্তা লৈবাক অসিগা য়ান-চে খরদা খূৎয়েক পীমিন্নে। মদুগী মহয় ওইনা, বাংলাদেশকী লম্বী-থোং, তুরেল অমসুং চিত্তাগোং হিথাংফম ফাওরগা পোৎ-চৈ খরা অৱাং-নোংপোক লমদমদা পুশিল্লকই। অদুবু লৈবাক অসিগী তম্বা ঙমদবা পোলিটিক্স অসিনা ইন্দো-বাংলা অনীগী মরক্তা লৈরিবা চৎথোক-চৎশিনগী য়ান-ৱারোলশিং অসি মতম অমদা হেক্তা থুগাইরকপা য়াবগী অকিবা লৈ। ইন্দিয়াগী পোৎ-চৈশিং বাংলাদেশ ফাওদুনা চৎহনবগীদমক্তা অচৌবা শেনফম কয়ামরুম ফংবা অদু তোকথোক্তুনা ধাকাদা লৈঙাক পায়বা, ইন্দিয়াগী য়েক্লবা খূৎপু অমনা হায়রিবা য়ান-ৱারোলশিং অসি চৎনহল্লক্তবা য়াই হায়না মহাক্না ফোঙদোরক্লি।

মজুমদারনা হায়রি, মোহম্মদ য়ুনুশনা লুচিংবা ইন্টরিম গভর্ণমেন্টনা মপান মরা ফনা য়োকখৎলিবা বাংলাদেশকী ইস্লামিষ্ট এন্টি-ইন্দিয়া লোবীনা অসিগুম্বা নাকল অনীগী চৎথোক-চৎশিনগা মরী লৈনবা য়ান-ৱারোলশিং চৎনহন্দনবা কেম্প্যেন চত্থরি, অমসুং মসি ইকুই কুইদনা মুখৎলকপসু য়াই। থৌওং অসি কুমজা ১৯৬৫দা পাকিস্তানগা শোক্লখিবা লান অদুগী মতুংদসু তৌখি। বাংলাদেশকী ইস্লামিষ্টশিংনসু চিক্কন'স নেক কোরিদরগী মনুংদা খুন্দাদুনা লৈরিবা, বাংলাদেশতগী হৌরকপা, হকচিনবা মুস্লিমশিংদা ইনশিন্দুনা কোরিদর অসিদা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই। মদুনা অৱাং-নোংপোক লমদম অমসুং লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংগা লৈনরম্বা মরী অদু থদৎখিদুনা সিক্যুরিটিগী খুদোং থীনীংঙাই ওইবা ফীভম কয়ামরুম থোক্লক্কনি।

**বাংলাদেশতা অতোপ্পা লাইনীং চৎপা মীশিং য়ামদবা মীওই কাঙলূপশিংবু ওৎ-নৈবা :** মোহম্মদ য়ুনুশকী লৈঙাক্না বাংলাদেশতা লৈরিবা হকচিনবা ইস্লামিষ্টশিংবু মনীং তম্না থাদোকপা মরমদগী, শেখ হসিনাগী লৈঙাক অদু তুখ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিদা অতোপ্পা লাইনীং চৎপা, মশীং য়ামদবা মীওই কাঙলূপশিংবু ওৎ-নৈবগী মওং অসি য়াম্না মরৌ লৈনা চত্থরক্লি হায়বা ৱাফম অসি থল্লদুনা মহাক্না হায়রি, লৈবাক অসিদা লৈরিবা হিন্দু, বুদ্ধিষ্ট অমসুং খৃষ্টিয়ানশিংবু মশা শোক্না মীওৎ-মীনৈ চত্থবগী চাং অদু খরগীমখৈ হন্থখিবা তারবসু লৈবাক অসিগী খুঙ্গং অমসুং টাউন মচাশিংদা লৈবা মীশিং লীকপা কাঙবুশিংবু সোশল অমসুং ইকনোমিক বোইকোট তৌরি। মহৈরোয়শিংবু মহৈ তম্বা নম্ফুদা তোকহন্নবগীদমক্তা মুস্লিম অহল অমসুং ওজাশিংনা নীংথিনা থৌরাং তৌরবা মওং অমদা স্কুল, কোলেজ অমসুং অৱাংবা থাক্কী ইন্সটিট্যুশনশিংদা অকি-অখং পীরি।

মুস্লিম মমান্নবা, অমসুং বোসশিংনা, গভর্ণমেন্টকী ওফিস, অমসুং প্রাইভেট সেক্টরদা থবক তৌরিবা হিন্দু, খৃষ্টিয়ান, অমসুং বুদ্ধিষ্টশিংবু ওৎ-নৈদুনা থবক তোকহল্লি। মীশিং য়ামদবা কাঙবুগী মীওইশিংনা লাইনীং-লাইশোন অমসুং নাৎকী থৌরমশিং পাঙথোকপদা গভর্ণমেন্ট অমদি ইস্লামিষ্ট ওর্গনাইজেশনশিংনা অথিংবা থম্মী হায়রি।

মহৈ তম্ফমশিং, থবক শূফম অমসুং মীয়াম তিনফম হায়রিবশিং অসিদা হিন্দুগী লৈশাবী অমসুং নুপী ওৎ-নৈবগী চাং খংৱাং ৱাংখৎলক্লি। মুস্লিম নুপামচাশিংনা হিন্দু লৈশাবী কয়ামরুম থেল্লগা ইস্লাম ওন্থোক্লি। মমাঙ চহীগী ওগষ্ট ৫দা হৌখিবা মীয়ামগী ঈহৌ অমনা শেখ হসিনাবু মফম লৌথোকখ্রবা মতুংদা মীশিং য়ামদবা কাঙলূপশিংনা হিংবা হায়বসি হায়নীংঙাই লৈতনা অৱাবগী মশক ওইরক্লে হায়না বাংলাদেশতা লৈরিবা মাইনোরিটি রাইটসকী এক্টিভিষ্টশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

হৌখিবা ওক্টোবর থাদা মীফা-মীপুনগী থবক চত্থরকপদগী আগরটলাদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা বাংলাদেশ সন্মীলিটা সনাতন জাগরন জোটেগী এক্টিভিষ্ট অর্নাব সামন্টনা স্বরাজ্য পাউচেদা হায়, "বাংলাদেশতা লৈবা হায়বসি নোংম-নোংমগী খুদোংথীনীংঙাই ওইরক্লে। ঐখোয়না করিগুম্বা হিংদুনা লৈবা পাল্লবদি লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎপা নৎত্রগা ইস্লাম ওনবা তাই হায়বা ৱাখল অমা তপ্না তপ্না ইশাদা পোক্লক্লে। নৎত্রবদি ঐখোয় হাৎখিবা তাবনি।"

মীফা-মীপুনগী থবক অদু লৈবাক অসিগী ইস্লামিষ্টশিংবু য়াম্না শাউনীংহনবা দিমান্দশিং মীশিং য়ামদবশিংনা গভর্ণমেন্টকী থবক তৌনবা কন্সটিট্যুশনগী চৈঙাক অমসুং রিজার্বেশন পীয়ু হায়বসি তৌদুনা ওক্টোবর ২৫দা চিত্তাগোংদা মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎলুবদগী য়ুনুশকী গভর্ণমেন্টনা য়াথং পীদুনা চত্থহনখিবনি। সামন্টগী ৱাখল্লোন অসিমক বাংলাদেশ হিন্দু বুদ্ধিষ্ট খৃষ্টিয়ান য়ুনিটি কাউন্সিলগী সিনিয়র লিদর অমনসু ফোঙদোরক্লি।

চৈরাক ফংগনি হায়না কিবদগী মমিং তাকথোক্লিংদবা, কাউন্সিল অসিগী সিনিয়র ওফিস বিয়রর অমনা হায়, "হিন্দুশিংগী পার্সেন্টেজ অসি কুমজা ১৯৫১দা চাদা ২২.৫ ওইরম্বদগী কুমজা ১৯৭৪দা চাদা ১৩.৫দা য়াম্নমক হন্থরক্লে, অমসুং হৌজিক্না চাদা তরেৎ খজিক্তমক হেন্না লৈরি। মসিসু য়াম্না থুনা চাদা ৫দা হন্থরক্লগনি। লৈবাক অসি হিন্দুশিংনা লৈবদা খুদোং থীনীংঙাই ওইরে হায়বসি য়াম্নমক ময়েক শেংলে, অমসুং মোহম্মদ য়ুনুশকী মখাদা লৈবা অমুক্না হেন্না কিনীংঙাই ওইরে।"

**হিন্দুশিংগী তোঙানবা হোমলেন্দ অমা শেমদুনা অৱাবা কোকহন্নবা হোৎনবা :** অসিগুম্বা খুদোংথিবশিং অসি কোকহন্নবগীদমক্তা মরম চাবা অমসুং অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈদি লমখৈ পাকথোক-চাউথোকহনবা অসিনা ওইগনি। ইকুই কুইদনা বাংলাদেশতা থোক্লিবা থৌওংশিং অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা ইন্দিয়ানা পান্দম অসি ফংনবগীদমক্তা চুনবা, য়ূম্ফম অমা থোলহৌবা য়াই হায়না মজুমদারনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

হৌজিক পূন্না ক্রোর ১.৩ লোম শুরবা বাংলাদেশকী হিন্দুশিং অসিনা লৈবাক অসিগী হকচিনবা মুস্লিমশিংনা অয়াম্বা ওইবা মীওইশিং অসিগা পূন্না হিংমিন্নবা হায়বসি ওইথোকপা য়াবগী ৱাংমদা লৈরক্লবা মরম্না মখোয় মশাগী ওইবা তোঙানবা হোমলেন্দ অমা দিমান্দ তৌবা হৌরক্লে। ইস্লাম লাইনীং চৎপা লৈবাক অসিদা অকিবগী মশক ফংলবা মীওৎ-মীনৈ কয়া মায়োক্লরিবা হিন্দু অমসুং বুদ্ধিষ্ট (মীশিং লাখ ১০) অমদি খৃষ্টিয়ান (লাখ মঙারোম) অসিনচিংবা মীশিং য়ামদবা লাইনীংগী কাঙবুশিং অসিনা তোঙানবা হোমলেন্দ অমা দিমান্দ তৌরিবা অসি মরম য়াম্না চাই হায়রি।

মতাং অসিদা নীংশিংবা য়াবদি- মীশিং য়ামদবা লাইনীংগী মীওই কাঙলূপশিংদা, মরু ওইনা হিন্দুশিংদা মীওৎ-মীনৈ চত্থবা হায়বসি বাংলাদেশতা পৱার পায়খিবা লৈঙাক খুদিংমক্কী ওইবা হৈনবী থৌওং অমনি হায়বা অসিনি।

কুমজা ১৯৭১দা বাংলাদেশতা লৈরিবা মীশিং য়ামদবা লাইনীংগী মীওই কাঙলূপশিংবু সেক্যুলর ওইবা লৈবাক অমদা থোং মান্ননা, অমসুং মনীং তম্না হিংবা ঙমহল্লগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা অমা পীখিবা, নৌনা শেম্বা লৈঙাক্কী থাজবা অদু কুইনা চৎখিদে।

বাংলাদেশতা মথং মথং পানখিবা লৈঙাকশিং - চহী কয়া নাকোয়ননা নৎত্রগা হকথেংননা লৈবাক অসিগী চূপ্লি পায়খিবা আর্মি, বি এন পি, অমসুং অৱামি লিগ ফাওবনা মীশিং য়ামদবা কাঙবুশিংবু ওৎ-নৈবদা লোৎনা নৎত্রগা ফোংনা শরুক য়াখি হায়রি।

অসুম্না, বাংলাদেশতা অনৌবা লৈঙাক অমা লাকপদা লৈবাক অসিগী লীশাং শীৎনা অৱাবা খাঙদুনা লাক্লবা মীশিং য়ামদবা কাঙবুশিংগী অৱা-অনা কোকহনগনি হায়বসি থাজনীংঙাই ওইদে। হকচিনবা ইস্লামগী মপাঙ্গল কনখৎলকপগা লোয়ননা, মীশিং য়ামদবা লাইনীংগী মীওই কাঙলূপশিং অসি অরোনবা অমসুং মরৌ লৈরবা মীওৎ-মীনৈগী চৈথেং কয়ামরুম ফংলক্তুনা মখোয়না লৈবাক অসিদা লৈবা ঙম্লক্লোই হায়বসি ময়েক শেংলবা ৱাফম্নি হায়রি।

পূম্নমক অসিগী মতুংদা ইন্দিয়ানা হায়রিবা মীওৎ-মীনৈ নংলবা মীওই কাঙলূপশিং অসিগী অমত্তা ঙায়রবা চঙজফম হায়বদু ওইরক্কনি। অদুবু লৈবাক অসিনা মখোয়গী মফমদা চঙজফম পীগনি হায়না খনবা অসি অরানবা ওইগনি, মরমদি মখোয়গী মফমদসু বাংলাদেশকি খ্বাইদগী হেন্না মীশিং য়াম্বা মুস্লিমশিংগী মতৌগুম্না হিংবগী হক খুদিংমক অদু লৈ। মীওৎ-মীনৈগী চৈফূ ফংলবা বাংলাদেশকী হিন্দু, বুদ্ধিষ্ট অমসুং খৃষ্টিয়ানশিংনা ইন্দিয়াদা য়ূম হোংবা হায়বসিগী মহুৎতা, বাংলাদেশতগী মখোয় মশাগী ওইবা তোঙানবা হোমলেন্দ অমা কোৎথোক্তুনা শেম্বা হায়বসিনা অচুম্বা ৱাখৈ অমা হায়বদু ওইগনি হায়রি।

বাংলাদেশকী প্রোভিন্স অনী - অৱাং থংবা রঙ্গপুর দিভিজন, অমসুং খা-নোংপোক থংবা চিত্তাগোং দিভিজন অসিগী অয়াম্বা শরুক হায়রিবশিং অসিনা লৈবাক অসিদা মীওৎ-মীনৈ খাঙদুনা লৈরিবা হিন্দু অমসুং অতৈ মীশিং য়ামদবা লাইনীং কাঙলূপশিংগী চপ চাবা হোমলেন্দ হায়বদু ওইগনি। অসিগুম্বা হিন্দু, বুদ্ধিষ্ট, অমসুং খৃষ্টিয়ানশিংগী তোঙান তোঙানবা হোমলেন্দ অনী অসি শেন্মীৎলোন, অমসুং লান্মীগী মীৎয়েংদা মনিং-মখা তম্না হিংবা ঙম্লোইদবা মরম্না লমদমশিং অসিবু ইন্দিয়াদা তিনশিনবা হায়বসি য়াম্নমক মরম চায়, অমসুং মসিনা অৱাং-নোংপোক থংবা ইন্দিয়ানা মায়োক্লরিবা লম্মীৎ-তুমিৎতা তোঙান্না তাবগী খুদোংচাদবা অসিবুসু কোকহনগনি হায়না পাউদম অসিনা ফোঙদোরক্লি।

রঙ্গপুর হায়বসি নোংচুপ্তা বেঙ্গলগী উত্তর অমসুং দক্ষিন দিনাজপুর দিষ্ট্রিক্টশিং, অৱাং-নোংচুপ্তা দার্জিলিং দিষ্ট্রিক্টকী সিলিগুরি সব-দিভিজন, অৱাংদা জলপাইগুরি অমসুং কুচবেহার দিষ্ট্রিক্টশিং, অমসুং অসামগী ধুব্রী অমদি সাউথ শালমারা দিষ্ট্রিক্টশিং, লোয়ননা নোংপোক্তা মেঘালয়গী ৱেষ্ট অমসুং সাউথৱেষ্ট গাড়ো হিলস হায়রিবশিং অসিগা তাইনবা মফম ওইবনা, মসি মায়কৈ অহুমদা ইন্দিয়াগী লমশিংনা কোয়শিন্দুনা লৈবা মফম্নি। করিগুম্বা রঙ্গপুর অসি ইন্দিয়াদা তিনশিল্লবদি চিক্কন'স নেক কোরিদরনা পীরিবা অকিবশিং অসি মশানা তানা কোকচখিগনি। কোরিদর অসি য়ামদ্রবদা কিলোমিটর ১৫০ পাক চাউবসু হেল্লগনি, অমসুং নক্না লৈবা অপাকপা লমখৈ অমনা অৱাং নোংপোক থংবা ইন্দিয়া অসিবু লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংগা শম্নহল্লগনি হায়রি।

মথক্তা পল্লিবা থৌওং অসিগা চপ মান্ননা, ত্রিপুরা অমসুং মিজোরামগা তাইনরিবা, চিট্টাগোং দিভিজনগী খগ্রাছারি, রঙ্গমাতি, অমসুং বন্দরবন হায়রিবা দিষ্ট্রিক্ট অহুম অসিনা শাবা চিট্টাগোং হিল ত্রেক্টস (সী ঐচ টি), লোয়ননা চিট্টাগোং অমসুং কোক্স-বজার অসি বাংলাদেশতগী শেৎতোক্লগা, বঙ্গালি হিন্দুশিং অমদি ত্রাইবেলশিংনা অকি-অখং লৈতনা হিংবা ঙমগদবা ইন্দিয়াগী তোঙানবা প্রোভিন্স অমা ওইনা শেমগদবনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্লি।

**ইন্দিয়াদা তিনশিন্নবা পুৱারীগী য়ূম্ফমশিং :** রঙ্গপুর হায়বসি, য়েলহৌঙৈ অমসুং ময়ায় থংবা চক্কী প্রগজ্যোটিশ, মৌর্য্যা, গুপ্টা, কামরুপ, গৌড়, পাল অমসুং সেনা হায়রিবা ইম্পয়ারশিং অসি য়াওনা, হিন্দু নিংথৌশিংনা পাল্লম্বা লৈবাকশিংগী শরুক অমনি। প্রোভিন্স অসি খৃষ্টগী মতুং চাউরাকপা কুমজা ১৫৭৫দা মুগলশিংনা খুদুম চনখিবা মতম অদুদা কুচ বেহারগী কোচ-রাজবোংশি নিংথৌশিংনা পানখি। তমথীরবা অমসুং মশাগী ৱাখলতনা অচুম্বনি হায়না খনবা ঔরঙ্গজেবনা (কুমজা ১৬৫৮দগী কুমজা ১৭০৭ ফাওবা) পানখিবা মতমদা হিন্দু লীশীং চা কয়ামরুম নমদুনা ইস্লাম লাইনীং লৌহনখি, অমসুং রঙ্গপুর অসি মুস্লিমনা মপূং ওইনা খুন্দাবা লমদম অমা ওইরকখি। অদুবু কুমজা ১৯৩০ অমসুং কুমজা ১৯৪০গী মতম ফাওবদি হিন্দুশিংনা প্রোভিন্স অসিগী অপূনবা মীশিংগী চাদা ৩৫ রোম ওইখি। বৃটিশনা লৈঙাকপা মতমগী ইন্দিয়াদা মমিং চৎখিবা রেভল্যুস্নরি শ্রী আর্বিন্দো, প্রফুল্লা চাকি, অমসুং দেবী চৌধুরানি হায়রিবশিং অসি রঙ্গপুরদা পোকখিবা মীওই ঙাক্তনি। বৃটিশ-লৈঙাক মনুংদা লৈখিবা লমদম অসিগী শক্লাইরবা সাইন্টিষ্ট, ইঞ্জিনিয়র, ডাক্তর, উকিল, আর্টিষ্ট, গভর্ণমেন্টকী সিনিয়র ওফিশল, অমসুং পব্লিক ফিগর পূম্নমক হিন্দুশিংনা ওইখি। মুগল অমসুং বৃটিশকী মতমশিং অদুদা লৈরম্বা প্রোভিন্স অসিগী অয়াম্বা লৌয়াম চাবা মীওই অমদি জমিন্দারশিং অদুসু হিন্দু ঙাক্তনি হায়রি।

কুমজা ১৯৪৭কী মতুংদা, ইষ্ট পাকিস্তানগী অতৈ লমদমশিংদা তৌখিবগুম্না, রঙ্গপুরগী হিন্দুশিং অসিসু তমথীরবা মীওৎ-মীনৈ অমসুং ফূরুপ নৎত্রগা লাইনীং মান্নদবগী অকনবা চৈফূ কয়া ফংখি। হিন্দুশিংগী মথক্তা লান্দাখি, মখোয়গী মরল-মথুম মুনখি, অমসুং মাঙ-তাকহনখি, নুপী ওইবীশিংবু ফারগা পুখি, রেপ তৌখি, অমসুং মীওই লিশীং কয়ামরুম নমদুনা ইস্লাম ওলহনখি। মদুনা মরম ওইদুনা হিন্দুশিং অসি ঙসিদি রঙ্গপুরগী অপূনবা মী মশীংগী মনুংদা শুপ্নগী চাদা ৭.৫ খক্তমক মঙায়হৌরে। থৌওং অসিমক চিট্টাগোং নৎত্রগা চট্টোগ্রামদসু থোক্লি। প্রোভিন্স অসিগী মমিং অসি চাইত্যাস নৎত্রগা বুদ্ধিষ্ট মোনাষ্টরিশিং হায়বসিদগী লাকপনি। মসি বুদ্ধিজমগী য়াম্না মরু ওইবা মফম অমা ওইরম্মী হায়না মজুমদারনা ফোঙদোরক্লি। ●

(...মখা চত্থজরকখিগনি)

## এম এল এশিংগী দষাসি ইকায়খ্রেদা...

**- লুখোই নহা -**

মতম খরগী মমাঙদা পূক্নিং-ৱাখলসিদা পোলিটিক্সকী চৈতেক-চৈরাং, য়োৎতেক-থাঙতেক, মচেৎ-মচেৎ, ফত্ত-হাউদি মক্তনা ৱাই চাই লাকখিবদু ফরদ্রা খল্লুরগা পোলিটিক্সকী অপৎ-অপুম কোকথোং অমনা অমুক ঙাইদুনা লৈরিজাৎলা খনগৎহল্লকখিবসি ইন্দিয়ানা অঙাওবা শেম্বীরবা এম এল এ ময়ামসি উখৎলকখিবদগীনি। মশা মশাগী মরল-মথুমগীদমক্তদি মতিক চাজরবা অদুবু মীয়ামগী লুচিংবা ওইবদদি মতিক চাখিদ্রবা ময়াম'মা ঐখোয় মীয়াম্না ঐখোয়গী লুচিংবশিং ওইনা থাগৎলুবসিনা ইন্দিয়ানা খূবাক ৩/৪ রক খক্তং খূবদা লোইনা অঙাওবা তাদুনা লৈরেনেসে। হন্দক্কী চহী হায়গদ্রা টর্ম হায়গদ্রা মখোয়না অঙাও-অফৈ তা লৈবসি মমাঙথক্তা অমুক্তফাওবা থেংনজখিদ্রি। হায় কম্মান্দকা হায়বসি মখোয়না তাইবঙ মপুগুম্না খনগৎখিদুনা জি-জি'না খোঙবী মতোন শোক্তে'দা খাক্না লুকথখিবদগী মীয়াম্না অৱাবা নংবনি।

ইন্দিয়াগী অহানবা হোম মিনিষ্টর আইরন মেন কাইনা হায়নবা শ্রী বল্লবভাই পটেলনা মমিৎ পাঙথোরকপদা ঙাইরিবা ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসিবু শেরান্ননা শীজিন্নদুনা মণিপুরবু ইন্দিয়াদা তিলহন্নবা অরানবা ফোর্মুলা পান্দুনা হোৎখিবা অঙ্ক হৌজিক ফাওবা ফল তাও হায়বা য়াদনা লাক্লিবসি নমদুনা ফল তাহন্নবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা হৌজিক অরানবা ফোর্মুলা অমমুক পানশিন্দুনা অরানবা অঙ্কবু নমদুনা ফল তাহন্নবা হোৎনরকপদগী মণিপুর মৈ চাক্লকপনি, মালেমগী লৈরিবা লৈবাকশিংগী মমাঙদা ইন্দিয়া ইকায়বা নংবনি। মচিন মরোং-মরোং পানবা তেন অমা ন্যু দেল্লীদগী কাপ্লকখিবদুগী ন্যু দেল্লীনা পাল্লিবা মহয়শিংদুগী মনুংদা মহয় অনীখক পনবা য়াই। জিও-পোলিটিক্সকী ৱাফম্না তোঙানবা অমা ওইনখ্রগা, মহয় অনী অদুদি মণিপুরগী মনীং তম্বদু হঞ্জিলহন্নবা লান হৌরিবা মীতৈ লালহৌবশিং ঈচেল অমদা পুথরক্লগা লূদা চঙহনগে, মণিপুরদা কুকিগীদা ওইবা এদমিনষ্ট্রেশন অমা লিংদুনা মীতৈগী লুশমদা নেৎহল্লগা মীতৈ মঙক হাইগৎহন্দবা অমদি কুকি-জো টেররিষ্টশিংগী খূৎথাদা মীতৈ করিমত্তা তৌবা ঙমদনা তূমিন লৈখিনি 'সিনি। অদুনা মীতৈ মীয়াম্না খূৎলায় পায়খৎলক্কনি হায়বসি ন্যু দেল্লীনা পারুখিদবনি। অদুনা মসি ন্যু দেল্লীগী অরানবা ফোর্মুলানি। ইন্দিয়ানা মিলিটরি পৱারদা মালেমগী ওইনা মরিশুবা মফমদকা কাখৎলকপদুদা মথং চহী ২০২৬তগা মতম থারদুনা চহী'সি ফাওবগী মনুংদা খূৎলায় পায়বা লালহৌ লোইশিনগনি কায়না লাউথোকখিবা ইন্দিয়াগী শরি ৱাশক'সিমক পাঙথোকপা ঙম্লোইদৌরিবনি মণিপুরগীদমক্তদি। ইন্দিয়াগী অসিগুম্বা পান্দমসি ফংনবা ন্যু দেল্লীনা রিফ্যুজি কুকি-জো টেররিষ্টশিংগা খূৎশম্নরগা মণিপুরগী মখৌরি মেৎখায়রিবসি হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অমদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগীদি অচুম্বা ফোর্মুলা ওইরি। মালেমগী মিলিটরি পৱারদা মরিশুবদা লৈরিবা ইন্দিয়ানা অহুমশুবা মফমদা কাখৎলক্লবা হৌজিক অহুমশুবা মফমদা লৈরিবা রসিয়া নৎত্রগা চাইনা নৎত্রগা য়ু এস এবু মরিশুবা মফমদা থাংথবা ঙমগনি খল্লিবা ইন্দিয়ানা পীকখ্রবা মণিপুরদা ইন্দিয়ন লান্মী লাখতা থাজিল্লকখিবসি কুকি-জো নার্কো টেররিষ্টশিংবু হৌজিক ফাওবগীদি কনখৎনবা ওইদুনা লৈরি।

ন্যু দেল্লীগী অসিগুম্বা মণিপুরদা চত্থরক্লিবা পোলিসি অসিগী মনুং চন্না মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল থম্বা হায়বসিসু অমা ওইরম্লে হায়বসি মণিপুরগী এম এল এশিংনা খঙবদি মান্দে, হৌজিক ফাওবদসু খঙবা মান্দ্রি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগী পার্টিমক ওইরিবা মণিপুরগী বি জে পি লৈঙাক ইন্থুখিবসি চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈ এন বিরেননা মঙদফাওবা মঙলল্লোই। অদুবু দিসিদেন্ট গ্রুপ্তা লৈরিবা বি জে পিগী এম এল এশিংনদি 'বিরেন কুইররোই তুরনি, ঐখোয়গী গ্রুপ্না লৈঙাক পায়রগনি' হায়না মপূক্নিংশিংদা অচেৎপা থাজবা লৈখি হায়বসি মীয়াম্না খঙই। অদুগা অসিমসু মীয়াম্না খঙই 'এম এল এ পূম্নমক কহাংমাং খুজাই কাই তাদৌরেদো' হায়বসি। শ্রী বিরেন দেল্লীদা কৌশিনখ্রগা মথং নুমিৎতা শন্বিত পাত্রনা চপ্তুনা পুরক্লগা রিজাইন তৌহনখিবদগীদি ময়েক শেংনা ফন-ফন চোঙথোক্লরকখি 'ঐনা চীফ মিনিষ্টর ওইবা শোয়দ্রে' হায়না চেৎনা থাজজবা মখোয় ৩/৪। অঙকপনি, কবুই কৈওইবগী উতোংগুল্লবা পোলিটিক্সনি মখোয়না চত্থরল্লিবসি, পুকচেল শেংদবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী কাইদাসিদা। অদুনা হৌজিক্তি বিত্রে তৌবীরল্লেদনা।

ন্যু দেল্লীদগী পাইরকখিবা পোলিটিক্সকী অমুবা লৈচিলবু উবা ঙমহৌদবৈ, করি ৱাহন্থোক্লো হায়বা খঙবা ঙমহৌনবা হোৎনবগী মহুত্তা খূৎ লোন্নদুনা লৈখিবদুদগীনি বিত্রেগী চৈনা ফংলিবদু। হৌজিক ফাওবগী মনুংদা (লৈখিদবসু য়াওরে, হিংদুনা হৌজিক পোলিটিক্স শান্নবসু য়াওরি) লৈরকখিবা মণিপুরগী পোলিটিকেল পার্টি মরু ওইনা এম এল এ, মিনিষ্টর, চীফ মিনিষ্টরশিংদুনা মমাঙমক্তদা চত্থরকখিবা ইন্দিয়াগী থবক-থৌওংশিং খঙদবগী ৱানি, হৌজিক্কী ফীভমসি তানবা কুইরে লান্থোং শীন্দুনা চত্থরকখিবদি। মণিপুরগী ঙমখৈ ঙাকপগী থৌদাং লৌদুনা লাকখিবা দিসিপ্লিন লৈরবা বি এস এফকী মহুৎ অসাম রাইফলসনা শিলহনখিবদু ইন্দিয়া লৈঙাক কোংগ্রেসনা পায়রিঙৈদনি। মতমদুদগীনি ম্যান্মাররোমদগী কুকি-জো ময়াম'মা চঙশিল্লকপা হৌখিবসি। অদুনা য়েলহৌমী মণিপুরীশিং মরু ওইনা মীতৈনা লৈরিবা নেশনল পার্টিশিং অসিদা থাজবা থল্লোইদবনি। সেন্টরদা কোংগ্রেস ওইরো, বি জে পি ওইরো এনি নেশনল পার্টি অমনা লৈঙাক পায়রবসু মণিপুর মাঙ-তাকহন্নবা হিদন এজেন্দা ওর পোলিসি অদুদি হোংবা লৈরোই। পোলিসি'সিগী থবক খূৎলৌখৎতু খেন্নবগী ৱানি। কোংগ্রেসতগী বি জে পিনা হেন্না এগ্রেসিব ওইবগী ৱানি। অদুননি কুমজা ২০০১দা মণিপুর মৈ চাকখিবদু, হৌজিক্না প্রোক্সি ৱার চত্থদুনা রিফ্যুজি কুকি-জো টেররিষ্টশিংবু ইন্দিয়াগী লান্মীনা ঙাক্লগা মীতৈগী মথক্তা লান্দা চত্থহন্দুনা মণিপুর থুগাইনবা হোৎনরিবসিনি। হৌখিবা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী চত্থরকখিবা ইন্দিয়াগী প্রোক্সি ৱার অসিদগী মীয়াম্না মীৎমাঙদা তরং-তরং থোরক্তুনা খঙলকখিবনি মণিপুর লৈঙাকপশিং'সি হংলাইনি হায়বদু। মসিদগীনি মীয়াম্না সী এম ফম থাদোক্কদবনি লাউরকখিবদু। মসিমক ওইবা পোলিটিকেল টর্মোইল অসি থোরক্কনি হায়বসি ন্যু দেল্লীনা হান্ননা খঙনা প্লান-পোলিসি খুদিংমক চত্থরকখিবনি। হায়রিবা প্লান-পোলিসি অসিগী মখাদনি হোম মিনিষ্টরনা এম এল এশিং মরু ওইনা বি জে পিগী এম এল এ, মিনিষ্টর খরা কৌ-কৌদুনা শান্নরকখিবদু। সী এম রিজাইন তৌহনখ্রবা কান্দদি হোম মিনিষ্টর/হোম মিনিষ্ট্রিনা চত্থরকখিবা মণিপুরদা পি আর থমদবা শুকয়া য়াদে হায়বদু মণিপুর মীয়াম্না খঙনরকখ্রে। শ্রী বিরেনবু ন্যু দেল্লীদা কৌশিনখ্রবা মথং নুমিৎতা শন্বিত পাত্রনা কোইশেন শেন্নদুনা দেল্লীদগী অমুক পুরক্লগা রাজ ভবনদা রেজিগ্নেশনগী চে পীশিলহল্লগা মণিপুর এসেমব্লি মীফমদা বি জে পি চোপ্পা নংলমগদবদু কনখিবদা নত্তনা পি আরগী ছো হাংদোকখিবনি। ন্যু দেল্লীগী থৌশিলদা শুকথম্মক থমদবা য়াদ্রবা পি আরগী ছোদি হাংদোকখ্রগা থিংদুনা লৈহৌরিবা থোঙ হাংদোক্লবগী মরম পীনবা অমিট শাহনা হান্ননা থৌরাং তৌবা পূম্নমক লোইখ্রে হায়বসি মণিপুরগী দিসিদেন্ট এম এল এ খক্তা নত্তনা মণিপুরগী বি জে পিনা খঙবা ঙমহৌখিদে। থৌরাংদুদি অতৈ নত্তে, লুচিংবা অমা পুথোকপা ঙমহন্দবনি। মসিগীদমক দিসিদেন্ট গ্রুপ্তুগী মখোয় ৩/৪ অমিট শাহনা দেল্লীদা কৌ-কৌদুনা তোঙান তোঙান্না উনখিবদা 'সী এমগী ফমসি নঙ পুরো, ৱা-ৱা লাউরক্নু, ঐনা খুদিংমক তৌরক্কনি' হায়বগী থাজবা পীরকখিরম্বা য়াই। অদুননি সী এমগী ফম বিরেননা থাদোকখ্রবা তুংদা দিসিদেন্ট গ্রুপ্তুগী হায়রিবা মখোয় ৩/৪ অদুনা সী এমগী পোজ তৌনরকখিবদু। অসুম্না য়াম্না লায়না দিসিদেন্ট গ্রুপকী লুচিংবা খনবা ঙমহনখিদবনি অমদি লুচিংবা খনবা ঙমদ্রবনিনা হান্না ছো হাংদোক্তুনা লৈরকখ্রবা পি আরগী থোঙ অদু শবাক ফাকখৈ হাংদোরকখিবদগী বি জে পিগী এম এল এশিং অমদি অতৈ এম এল এশিং কহাংমাং খুজাই কাইগী দষা তাদুনা লৈহৌরিবসিনি। ওন্থোক্না ইকায়জখ্রে। মসিনি তাৎ-পাৎকী চন্নফম হায়বদো, মসিনি অপুম্বা পোলিটিক্স হায়বদো। অপুম্বা পোলিটিক্স তৌরক্কদবা মীশকশিং খঙলসি। করম্বা মীশক্না লৈবাক ঙাকপদা য়াওগদগে হায়বদু খঙলসি, ভোটকী শেলনা ঐখোয়গী কোক মতম চূপ্পদা বিভুলা চুহন্দুনা লাক্লিবসি মথংদদি ফহল্লসি, ইমা লৈবাক মণিপুর কল্লসি। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১১১গী ৱাহং

১) 'শান্তিগী ইরেন' হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?
২) 'মায়থীরবা থাবল' হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?
৩) 'নিংথৌ ইদিপস' (২০২৪) হায়রিবা লাইরিক অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?
৪) 'ইয়ুরেকা' হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? অইবগী মমিং হায়য়ু।
৫) ঈথক অমদগী ঈথক অমা
ইপোম অমদগী ইপোম অমা
মসি নঙগীরা?"
মথক্কী শৈরেং মতেক অসিগী অইবা কনানো? করি লাইরিক্তা য়াওবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।